হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, ফেব্রুৱারী ০৪, ২০১৭, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ৩২৬ শুবা মশীং

# মীহুৎ খনবদা শরুক য়াবীয়ু

## অদোম্না থাদবা ভোটনা লৈঙাক শেমগদৌরিবনি

*মণিপুরগী* চহী ৫ গী নিংথৌ খন্ননবা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল ঙসি পাঙথোক্লগনি। ঙসি অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিলগী পুং ৩ ফাওবা ভোট থাদনগদৌরিবসি এসেমব্লি কন্সটিটুয়্যএন্সি ১৬৪৩ দনি। অহানবা ফেজগী ওইনা পুন্না মীরেপ ১৬৮ না লম্বা তৌনরি। মসিগী মনুংদা নুপী কেন্দিদেট ৭ য়াওরি। অহানবা ফেজগী ওইনা ভোট থাদনগদৌরিবা এ সী ৩৮ গী ওইনা অপূনবা ভোটর মশীং অসি নুপা ৫,৪৪,০৫০, নুপী ৫,৭৫,২২০ পুন্না ১১,১৯,২৭০ নি। মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি কন্সটিটুয়্যএন্সি ৩৮ অদুদি ১-খুন্দ্রাকপম, ২-হৈঙাং, ৩-খুরাই, ৪-ক্ষেত্রিগাও, ৫-থোংজু, ৬-কৈরাও, ৭-অন্দ্রো, ৮-লম্লাই, ৯-থাংমৈবন্দ, ১০-উরিপোক, ১১-সগোলবন্দ, ১২-কৈশামথোং, ১৩-শিংজমৈ, ১৪-য়াইস্কুল, ১৫-ৱাঙ্খৈ, ১৬-সেকমাই (এস সী), ১৭-লমশাং, ১৮-কোন্থৌজম, ১৯-পাৎশোই, ২০-লংথবাল, ২১-নাওরিয়াপাখঙলাকপা, ২২-ৱাঙ্গোই, ২৩-ময়াং ইম্ফাল, ২৪-নম্বোল, ২৫-ওইনাম, ২৬-বিষ্ণুপুর, ২৭-মোইরাং, ২৮-থাঙ্গ, ২৯-কুম্বী, ৪৬-সাইকুল (এস টি), ৫০-কাংপোকপী, ৫১-সাইতু (এস টি), ৫৫-টিপাইমুখ (এস টি), ৫৬-থানলোন (এস টি), ৫৭-হেংলেপ (এস টি), ৫৮-চুড়াচান্দপুর (এস টি), ৫৯-সাইকোট (এস টি) অমসুং ৬০-সিংহাট (এস টি)। মীখল অসিদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা সাইকুল, সাইটু অমসুং কাংপোকপী এ সী য়াওরি। চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা টিপাইমুখ, থানলোন, হেংলেপ চুড়াচান্দপুর, সাইকোট অমসুং সিংহাট এ সীসু কোনশিল্লে। অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিদা হান্না চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা ৫৯-সাইকোটনা ভোটর মশিং খ্বাইদগী য়াম্বা এসেমব্লি কন্সটিটুয়্যএন্সি ওইরে। কন্সটিটুয়্যএন্সি অসিদা পুন্না ভোটর মশিং ৪৯,৮৯৯ লৈ। মসিদা নুপা ভোটর ২৪,৩৬৯ অমসুং নুপী ভোটর ২৫,৫৩০ লৈ। সার্ভিস ভোটরনা ১০২৫ নি হায়রি। তাঙ্কক অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা ভোটর খ্বাইদগী য়ামদবা পোল্লিং ষ্টেসনদি ৫৫-টিপাইমুখনা ওইরি। এসেমব্লি কন্সটিটুয়্যএন্সি অসিদা নুপা ভোটর ৮,৯৬৫ অমসুং নুপী ভোটর ৮,৭৮৪ লৈ। সার্ভিস ভোটরনা ১০৪ নি হায়রি।

দিমোক্রেসি চৎপা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা লৈবাক অসিদা মীয়ামগী ঈহৌনা লৈঙাক অমা চিংথুবগী মতীক ময়াইসু লৈতবনা মীয়ামগী ওইনদি চহী ৫ গী ওইনা পাঙথোকপা মীখল অসি অদুক্কী মতীক য়াম্না মরু ওই। মীয়ামগী ঈহৌনা লৈঙাক অমা চিংথননবা হোৎনবদা থোক্কদবা খুদোংচাদবশিং, ঈ-নাই তাগদবশিং অদু মাঙদা থম্লগা ঐখোয় পুন্নমক্না করম্বা পোলিটিকেল পার্টিদা নৎত্রগা করম্বা মীওইদা ভোট পীগদগে হায়বসি লেপথোকপীরো। হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মীয়াম্না পীবা ভোটিং রাইট অদুনা ষ্টেট অসিগী নিংথৌ খনগদৌরিবনি অমসুং লৈঙাক পায়হনবগী থৌদাং শীন্নগদৌরিবনি। মীখল অসিদা মীরেপ ওইরিবশিংনা মীয়ামগী করি তৌরক্কদগে হায়বা থাজবা ঙমদবা নৎত্রগা মখোয়না লৈবাক্কী করি তৌরক্কনি হায়বা ৱাখল্লোন্দা ভোট থাদবা থোক্তবা হায়বসি মীয়াম্না পাম্বা, খজিক্তং ফগৎপা মীহুৎ অমা খনবদা মায়থীনবগী মচাক ওইগদৌরিবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা কাহন্নিংদবা মীওই অমা কাহন্নবগী মচাক ওইহনগনি। অমরোমদা মীখল অসিদা ইশাগী হক লৈবা-য়োনবরোমদা মন্তিক্লবা তৌররোইসি। ভোটর অমগী মমল লুপা ২,০০০ পীদুনা লৈখ্রবা তুংদা চহী ৫ মীহুৎ অদুনা ফৈরেং-তুরেং তৌরকপগী তেকচাক পুন্নমক নহাকসু অমনি হায়না লৌদবা ঙল্লোই। শেল পীরগা ভোট লৈগে খল্লিবা মীরেপশিং অদুসু মীয়াম্না ৱারকসি। মীরেপ অমগী ফুরিৎখাউদগী লুপা ক্রোর ৫/১০ তিংহনবা হায়বসি হৌজিক্কী মতমগদি য়াম্না চানদ্রে। মীয়ামবু পোলিটিক্স তৌবশিংনা লল্লোনপোৎ ওইনা উনরক্লিবসি শেল থাদরগা মীখলদা মায় পাকখিবদুননি হায়না লৌদবা ঙমদে। ঐখোয়না ঐখোয়গী মীহুৎ খনবদা চুম্না খনসি, শেলদা নৎত্রগা মরী-মতাদা মীৎয়েং থম্লগা লুচিংবা খনবনা ঐখোয়গী তুংগী লাইবক লৈরোই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না মীখলদা শেল চঙহন্দনবা হোৎনরক্লিবা থৌরাংশিং মায় পাকহনবনা লৈবাক অসিগী ওইনা য়াইফবা ওইরক্কনি। মসিগীসু মথক্তা ঐখোয়গী মীরেপশিং শেল তিংহনবগী চৎনবীনা মতীক চাবা, মীয়ামগী খনবা লুচিংবা ওইবা য়াবশিং মীহুৎ ওইনবা থোরক্তবনি হায়বসি ঐখোয় পুন্নমক্না খঙমিন্নসি। মতুং তারকপদা মীয়ামগী থবক হেন্না তৌবা ঙম্বা মীরেপ পুথোকপগী থৌদাংসু লৌবীয়ু। হন্দক্কী মীখল অসিদসু করিগুম্বা খরদং মীয়ামগী তৌগে খনবা মীহুৎ খনবগী থৌদাংসু লৌবীয়ু। ঐখোয়গী মীরেপশিং শেল তিংহন্দবা হায়বসি শেঞ্জা-থুমজা তৌদবা লৈবাক অমা শেমগৎপগী য়ুম্ফম থোনবা হৌরবনি হায়না লৌবীয়ু হায়জনিংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৬

১। ‘‘যামিনীগা নবকিশোরগা মাঙখিবা নুমিৎ হুমনি শুজিল্লক্লে। যামিনীগী লুহোংবা কায়রে।’’ পরেংশিংসি করম্বা উপন্যাসতগী লৌথোকপনো?

২। ‘‘প্রোফেসার সেন-মপূং ফাবা মমিংনা সুকুমার সেন কৌই। নোংচুপ বঙ্গদা সেন শাগৈগী শক্লাইরবা, শক্লাইরবী মীওই কয়া লৈ। মহাকসু তোমথিননি।’’ পরেংশিংসিনা করম্বা উপন্যাসতগী লৌথোকপনো?

৩। ‘অহিংসিনা লোইদ্রিঙৈ’ নোভেল অসিগী অইবীদু কনানো?

৪। 'The Taste of a Hilsa' হায়না কুঞ্জমোহনগী ৱারীমচাশিংবু ইংরাজিদা হন্দোকপদু কনানো?

৫। ‘বঙ্গবন্ধুগী লৈবাক্তা’ লমকোয় ৱারী অসিগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৫ গী পাউখুম মঙামক চুম্না থাবীরকখিবদি**

১) নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লিৱা লম্বী মাইবম লৈকায় (৫)

২) *সগোলশেম লল্লেবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায়* (৫)

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৪২ গী ৱিন্নর**

*সগোলশেম লল্লেবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায়*

*(দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবী)*

**লিটরেরি ক্যুইজ ৪৪, ৪৫ গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

মার্চ ০৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৫ গী পাউখুম

১। ‘‘...ইচাই লমন শিংলমগে/লিলা সিদং লোইরমগে’’ পরেংশিংসি ‘খম্ব-থোইবী শৈরেং’ দগী লৌথোকপনি। কনানা হায়খিবা ৱাহৈশিংনো?
ঃ- কাও

২। ‘‘নোংঙাল্লমদাইদা/নুপী অমনা কপ্পা তায়/হিক্লা তেংথারদুনা/পোম্বী হঞ্জিল্লক্লোবা।’’ ৱাহৈশিংসি কবি কনানা হায়বনো? ঃ- লনচেনবা

৩। ‘রিক্লো অমসুং নোংমৈ’ অইবী কনানা ইবনো? ঃ- থানিনলৈমা

৪। 'Imphal and its Climatic Condition' হায়না পাচা মীতৈগী নোভেলবু ইংরাজিদা হন্দোকপদু কনানো? ঃ আর কে বিরেন্দ্র সিংহ

৫। ‘ঈগী খোঙ্গুল লীবা’ লমকোয় ৱারী অসিগী অইবদু কনানো?
ঃ- শম্বান্দুরাম শামু

খঙহঞ্জবা ঃ- ক্যুইজ পাউখুম্বীরিবশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি হৌজিক হৌজিক চখজরিবা ক্যুইজ অসি থা খুদিংগী তাং ১৫ অমসুং অরোইবা তারিখতা হাংদুনা থা অমদা অনীরক্তং পাঙথোকচরগনি। লোয়ননা হান্না পীজরিবা ক্যুইজগী মনাসু হেনগৎচরগনি।

# খোন্নৌথা

**ৱাইরু ৱাইরুবদা**
**হোঙবা**



*ঙাকপীগনি!* অঙাওবা হায়বা ৱাহৈ অসি অদুম শীজিন্নজরগে ময়াম্না ঙাকপীগনি। ফজবা লোন্দাদা ৱাখলগী লায়না লৈবা নৎত্রগা ৱাখল চোইবা, ৱাখল ৱাৎপা হায়বনচিংবা ৱাহৈ মখল মথেল লৈজখ্রে। অঙাওবা হায়বা অসিদবু মীনা মৱা লৌবীদ্রবা, মীনা মীথানবীদ্রবা, মীথানররোইদৌবা অমদি মীথানরকখিদ্রবা মীশকনি। অদুবু মখোয় মীখলগী মতম অসিদদি থিগৎলকই ভোটর লিষ্টতা পানশিনবীরকই। মাগী মমল য়াম্মকই।

মীখলগী মতমদা অঙাওবা, অঙাওবী, খোঙতেক-মীৎতাঙ (ৱারৌবীবা য়াদে), লৈতবা, লায়রবা অনংবা, অশোন অনা, ফমুংদগী হৌগৎ কাঙখৎ ঙমদ্রবা অনাবা, হনু-হনা থিবা য়াবা থিগৎনরকই। মীনুংশি চাউবীবা হৌগৎলকই। মীখল হেক লোইদ্রিফাওদি ৱাঙাঙ শাঙাঙ মেঙনৈ, পুকচেল চাউবা শানৈ, পীজ-পীথক ফজনৈ, পাম্মু য়াইথোঙ খঙনদে, মীকৌ মীরম ফজনৈ, পাখঙনা লৈশাবী কোয়বগা চপ মান্নে। সিদগী হেন্না খোন নুংশিহন্নবা মতম লৈতে। সিদগী হেন্না পুকচেল চাউনবা মতম অমা লৈত্রি হায়বা য়াই। য়েন চাবীয়ু, ঙা চাবীয়ু, ঈশৈ তৌবিয়ু, লীলা য়েংবীয়ু শেল লৌবিয়ু, শা চাবীয়ু, য়ু থকপীয়ু কয়াদা নুংশিখ্রবা ৱাহৈ ৱাতানো? কয়াদা হেক খোয়থুম্নখ্রবা ৱাহৈশিংনো? হৌজিক্তদা খঙব্রা মীয়ামগী মগুণ?

মীয়াম অসিসু অয়াবীনি। ঐখোয়না মী খরা ভোট পীদুনা ভোট কাহল্লগা (মীহুৎ ওইনা থাখ্রগা) মখোয়না করম্না করি তৌরিবনো খঙবা পঙয়াও য়াওরমনি থাজদে। অখঙবা খরনদি খল্লিনি অখঙবা মখোয়দৌনা মী লোইনা খঙলমনি হায়না। মীহুৎ কয়া থাগৎপা, ভোট কারবা ময়াম অদুনা করম হায়না গোভর্ণমেন্ট শেম্বা, গোভর্ণমেন্ট হায়সিনা করিনো? রুলিং হায়রিসিনা করি, ওপোজিসন হায়রিসিনা করি? দিমোক্রেসি হায়সিনা করি, মীয়ামগী তৌবা ঙম্বনা কদাইফাওবা অয়াম্বনা থৌশারুবা লৈতে। লৈঙাক্লা মাগী কর্ম্মচারি ময়ামদা পীরিবা শেল (তলব) ময়াম অসিনা কদাইদগী লাক্তুনা পীরিবা? লম্বী থোং শেম্নবা শেল ময়াম অসিনা কদাইদগী লাক্লিবা, মিনিষ্টরগী মথৌনা করি, এম এল এগী মথৌনা করি, লম্বী থোং শেল্লিবা অসি ভোট কাখ্রিবা মীহুৎ অদুগী ফুরিখাউদগী পুথোক্লগা শেম্বদৌনা ঙাঙনরিবা অসি চুম্মীব্রা লাল্লিব্রা? কৈসু লৈতবা মানবা ৱা ময়াম অসি খঙবা মী পঙয়াম য়ামলমদৌ মান্দে। হংলুরদি খঙই অদুম হায়রক্কনি, তশেংনা খঙবদি পঙলৈ লৈরমদৌ মান্দে। ক্লাস ফাইভতা, ক্লাস আইটতা, ক্লাস টুদা লাইরিক তম্বা তোকপা মী মশীং য়াম্না লৈরবা লৈবাক্লিকো। ভোট থাদবদা মমিং ইবা হৈত্রবা, মমিং ইবদা মখূৎ নীল্লবা মৌ নহা কয়া লৈরিবনিকো! ময়াম্না খঙদদনা তৌরিবনিকো! চামঙা চৎপী অমা অনী পীরগা ভোয থাদৌ হায়বা য়ারিবা লমদমনিকো, হায় কান্নদে। অশিংবশিংনা মী লোইনমক শিংলমদৌ মানবা, অখঙবশিংনা মী লোইনমক মখোয়দৌনা খঙলমদৌ মানবগী ৱানিকো! মমিং ইদৌ শরুক খুবী শোই (খূৎয়েক) ওইনা তৌজগে হায়বা চহী য়ামদ্রিবা মী য়াম্না লৈবা লৈবাক্লিকো! হৌজিক্তি অঙাওবসু, অনাবসু, শিখ্রবসু, অপঙবসু (মসিমসু ঙাকপীগনি) কোয়থি থিগৎপা হৌরক্লবা, মী খুদিং পাম্মুরক্লবা মতমনি। মী খুদিং মমল লৈনা য়েংবা হৌরক্লবনি। চহী চুপ্পা লাইরিক পাহৌদ্রগা পরিক্ষা হৌগদবা মঙানিদা ঙায়রবা মতমদা লাইরিক কন্না পাখৎপা অদুগা মান্ননা নোমজেন চেনবা কেন্দিদেট (মীরেপ) য়াওবা উনরে। নহানমখৈ হোৎনজহৌরদি থোইনা ৱানরোইদৌবা! অসুক য়াম্না ব্যবহার হাদ্রসু য়াদৌবা।

ফসনু ফসনু ব্যবহার ফনবদি ফৈ। অদুবু কয়াম কুইনা ব্যবহার ফননি হায়গে। তম্পাক্কীনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম, চীংগীনা লাক্লিবা মার্চ ৮ গী নুমিদাংৱাইরম ফাওবা মঙায়রে। কপশিন্নবা, ৱাশকশিন্নবা, তোনশিন্নবা, মরৈ কোনশিন্নবা, পীজ পীথক ফজবা শাশিন্নবা, ৱাঙাঙ শাঙাঙ খোঞ্জেল খোয়থুম্নহনবা, কৎথোকপা শাবা হায়রিবা পুন্নমক অমত্তা উররোই সিদগীদি। মীখল হেক লোইদ্রিফাওদি খোন মেংনখিনি। মীখল হেক লোইখিবা নুমিৎ অদুদগীদি মা মঙায়রে হায়দুনা মঙক থাঙ্গৎতুনা ঙকচাউ থেক্লবদা মীগা উররোইদৌবনি। অদুনা লৈবাক মচাশা চাগদবা চাবীহৌরো, লৌগদবা লৌবিহৌরো অদুগা খ্বাইদগী ফরে হায়না খনবা মী অমদা কোক হেক নম্বীরো। মসি হায়বা নৎতনা করিসু হায়নীংঙাই লৈতে। পেন্দবা হায়বা ৱাহৈসিনা নমদুনা হায়হনবনিকো।

# মীখলগী কুম্ফে খরা - ১

**নবকুমার ওইনা**

*মীখল* মমাঙসিদি ভোটকী ৱারীনা খরা হেন্না নুংঙাইবা তারি। পোলিং পার্টিদা য়াওরুবগী ৱারীসি ৱারেমদি ওইরোইদ্রা খল্লি। চীংদা চৎখিবদুগা তমদা চৎপগা খেন্নবসি লম্বীগী ৱা নত্তবদা কোক ফাওবা খেন্নব্রা খল্লি, চীংদনা হেন্না ফজবা ময়াম লৈ। হেলিকোপ্টরদা চৎপদুদি য়াওখিদে।

ইলেক্সন রিহার্সেল য়াওরে। ওফিসিয়েলশিংদুনা ঙাঙবা ৱাসি লৈবাক মচা তাদবা, মখা তাবা মীদা পংঙাঙ ঙাঙগুম্বা লোন শুদবা মী য়াওরকই। নুমিত্তুদা খনখি খুন্নাইসি মী মখলদি য়াম্বা তাইয়ে। ঈদা মুকসন য়াম্বগীসু ওইবা য়াই, লাইরিক খুতম্বী ওন্নবগীসু ওইবা য়াই, লাইনীং মান্নদবগীসু ওইবা য়াই, ইপা-ইপুনা ৱারক-ৱাতেম চুমদবগী ওইবসু য়াই, থবক চঙবদা পৈশানা চঙলকপা ওইবসু য়াই, চাউরপ চাউরপ অচৌ-অশাং শারগা ঙাঙবা অদুম য়াওই। হায়দোক্তবী অদুম খনখি, কয়া চাউখৎপা মীদি নত্তেসে। ৱারেম খরা ঙাঙলগা লোইখিবা ট্রেন্নিংসু য়াওখি।

মরী লৈনদনা অচুম্বা শাবসু য়াবা লৈ। তোলোব পীবদু থেংথবা অদুদা তোলোব পীদ্রবদি দ্যুটি চৎপা ঙল্লোই হায়না ষ্টেজদা কাখৎলগা অফাওবা শাজিল্লে। কমদৌসিগে হংবগা, ময়ামদু য়াওরোয়সি, চৎলসে হায়রগা হোলদগী থোক্লক্লে। হৌজিক্তা খল্লকপনি, তোলোবকা ভোটকা মরী লৈনদে। অদুবু দি সীনা তোলোব পীথোক্লবা শিনবিখি। তোলোব ফংবগা ট্রেনিং অমুক কৌরকখি।

পোৎ চৈশিং লৌরে, চেক তৌবা য়াবা তৌরে। গাড়ী নম্বরদু থিরে। করিনোনে! ত্রক ওইনা পীরিসিবো! ঐখোয়না শিল্লুবা ঙম্বা নৎত্রে। চৎলগদৌবনি, এস্কোর্ট ঙাইরিবনি, ওটোমেটিক রাইফল পায়বা ময়াং তরুক তরেৎ কাখৎলক্লে, চৎলে। ঙাইহাক্তি তিল্লাইখোম্বী চুগদৌগুম শম্ননিংদে, ত্রক মথক্তুদা চোঙবা য়াবা চোঙমিন্নরবা মতুংদদি রাইফলদু ঙাইহাক্তা পায়য়ু হায়গৎলক্লে। অদুম পায়রে। মনুংগীদি য়াওদেকো হায়না ফাগী তৌই। পুং অনী অহুম লেপ্লগা নিকপদুবু চৈরাক পীবা নত্তে হায়গে হায়ব্রা, মমৈথংদদি এয়র বেগ মথক্তুদা লোংনা হিপ্লগা, মিনা মিরাং হাইবগুম কোয়চোং চোঙলগা কাইলাম য়ৌরে। লান্থোক্ত্রিঙৈদা চা থকই, কাইলাম চীংগী চপ ঙম্বদু উবদা মতেক অদুমদি খোঙনা লান্থোক্লগে হায়নীংলকখি। উকক অমা, নূং অমা তারকপদা মথক কুপ্তুবা ট্রী অদুদা শিরগা য়ূমদা থিল্লকপগী ৱাদা লৈয়ে। লান্থোকপা মতমদদি চীংথক্কী অৱাংবদু উদ্রে, নাকলগী ফজবদু য়েংলগা য়ৌরকখিবা খঙহৌদে। নুমিৎ তারমদাইগী ফেরজোলগী ফজবদু ফিল্ম শেম্বীরিবা কাঙবুনা অমুক্তা চৎলগা হাপ্পীরবদি ফজবদু মীয়াম্না উবা ফংগনি। নৎত্রগা টুরিষ্ট চাওখৎলক্লগা মীয়ামগী পূক্লিং হুবা মফম অমা অদুম ওইদুনা লৈরগনি খল্লকখি। য়ৌরে, লৈফমগী শেম শারে, সিফাইশিং তোঙান্না লৈরো, ঐখোয়না য়ূম অমদা লৈরগে হায়বনি। সিফাইশিংদুনা মখূৎ লোন্নরগা পূন্না লৈমিন্নসি হায়রে। ইরমদম কৌবনিনা নোক্লিংলকপদুনি, মখোয়না মনুং থংবদা লৈরগে হায়বদগী মনুংদা লৈহল্লে। ইন্দিয়াগী সিফাইসু মখল য়াম্মী। তুমিন্না লৈবা হৈনদবা ঐখোয় অহুম চা থক্লুসি হায়দুনা থোক্লকপদদি হোটেল লৈতে হায়বা খঙলকখি। মৌ অমনা হায়রকপনি চা থক্কে হায়রবদি কেন্দিদেটশিংগী ওফিস অদুদা থকপা য়াগনি হায়বদগী চঙশিল্লগা থক্তোক্লে। নুপা অমনা অমুক হায়রে, মফম অমত্তদগী থক্লবদি পার্টি অমনদি শাওগনিকো। থোক্লকপগা ঐখোয় অহুম খন্নরে, শাওহনবদি য়াদে, পৈশা তিংদবা চাদু অমগা থক্তোক্লুরবসি হায়নরে। অদুগদি ফাগী তৌবা ওইরল্লে। ওফিস হাংবগী ৱাতনি খুনফমদুমদি কেন্দিদেট অমত্তগী ওইবা মাল্লকই।

এজেন্ট হাপ্পা লোইরে, ভোট থাদবা হৌরে হায়না লাউথোক্লে। চাকঙন চারগা লাক্লরবা মীয়ামদু পঙয়াম য়ামদ্রি। মথং-মথং থাদবদু তাক্লবা নায়দে, চৈ পায়রগা বোক্স মনুংদা নমশিনবা ফাওবা য়াওরম্মী। ত্রেনিং ফংলবা ঐখোয়দগী খুঞ্জাশিংনা হেন্নদুম হৈরম্মী। মী অশুম য়ামখৎলকই, ভোট হায়বদু অসিনিদনা খল্লকই। তুংলোমদগী নঙ্গলদা পোপ-পোপ ফুরগা, ‘সার, চা থক্কেরা পুরক্কে’ চাকঙন চারগা হৌখিবা থবক্লি, পুং ১১ তাবা অদুৱাইদদি চাদা নত্তে তন অমতং চারবদি খল্লকপা মতমনি। হোয় হায়রে, ইনাক্তা থল্লম্মী। থবক্কী খল্লিঙৈ চাদু কাউবা অদুম য়াওই। কয়া নুংশিবীরিবনো, ‘সার চাদু থক্লো, ইংলগনি।’ মুন্না য়েংদে য়াউম অমা চিংলগা অমুক থম্মী। মিনিট মঙা ফারমখিরোই, লিক্লিগী গ্লাসতুনি, লৌরগে হায়রকই। ‘শোরি, শোরি অইংবা চাদু অহুম্লক্তা লোইশিল্লে। ঙাইহাক লৈরগা অতোপ্পা গ্লাস লৌবা লাকপা ওইরমান্নে, ইনাক্তা লেপ্লরে। তপ্না হায়রকই, ‘সার, বেলোট অমা পিরো’। ‘হা! নঙগী চাগী পৈশাদি কয়ানো?’ ‘সার পৈশাগী নত্তে, বেলোট অমা পিয়ো হায়বনি। ঙশাইমখৈ মুন্না য়েংলুদে, মী ঙৌই, মৌ ওইরগনা মৌনহানি, লৈশাবী ওইরগনা খরা লিরপ হায়বা তাই, ‘এজেন্টশিং, মানা হায়রিবসি য়াব্রো?’ ‘‘য়াইয়ে-য়াইয়ে’’ অদুম লৌখ্রে। নুমিৎতু চা মরি-মঙারক থকখি, পৈশা তিংবা নত্তে, চা খুদিংগী বেলোট অমমমনি। অরোয়বগী অমদি এজেন্ট তাদে, ‘সার ঐদি লম্ফেলদা লৈবনি’। মদুগী মরম ঙসি ফাওবদি খঙদ্রি।

ঙাইহাক লৈরগা পোলিং পার্টি অমগা য়েৎনরকই। ‘করিগীনো করি তৌরে’ ‘সার মাগীসি মুক্ত খোক্তোল্লগা অমুক লাকপনি। এজেন্টশিং মহাকসিবু চুমব্রানে’ ‘সার চুম্মী’ ‘হল্লো সার, থবক ঙাইহাক শুরুবদা খেক্তোকখিবা ওইবসু য়াই। ময়ামদু নোকমিন্নে। ঐনা হায়, ‘য়েৎনববুদি নোকমিন্নবনা ফরেদনা। চাগী ৱারীদগী ৱারীসি পিন চোঙশিনখিবনি (থায়নগী প্লাষ্টিক্কী রেকোর্দতা পিন্না খোংলিঙৈগী নীংশিংবগীনি) অরাপ্পসি অথাপ্পসু হায়নৈ, খরা লাপ্পা চীংগী লমদদি তম্বা ঙমদে খনব্রা খঙদে, নোংমা মাঙজৌননা থাগল্লি। শোয়দনা ঙামদনা য়ৌরবদি নোংমদুমা করি তৌনি, ঐনদি ‘পিক্লিক্লি খল্লো’ য়েন থিবা হেক্তা চৎকনি। য়েন্দু লুপা হুম্ফুদা ঙাঙনরে, পায়রগা ঙাঙনবা নত্তে, লাপ্পা য়েংলগা মরিফুন্দগী হুমফুন্দা য়ানরে। ইমাদু হনুরে, মমিং চুমদবা লোনসি চীংদদি মৈতৈলোন অদুম কৌনৈ, মৈতৈলোন ফজনা ঙাংই। পৈশাদু লৌবদা নোকফেৎ তৌখি, ‘ফাবা ঙমগদ্রনে’। ঙমগনি খনবনি অয়ূক্তুদা চীংগী য়েনবা অমা ফাবা ঙমগনি খল্লুবা অপঙবা তাখি। সিফাইশিংদুগা অমমম লৈনবনি। ফাবা ঙমদ্রবনিনা মখোয় ফাও হায়রে। হৱায়গা হঙ্গামগদা তারে। মখোয়দি পৈশা মাঙগদ্রা পাখৎপা মাল্লি। পাখৎকনু হায়রে। নুমিদাংৱাইদদি মখোয়গী ৱাংনা শাবা য়েঙ্গোন্দু তম্না হোয়জিল্লে। মনীং তম্না চারুবগীরা খঙদে চঙশিন্নরক্লে। অমনা থাজবদি শা-কৈনা শোক্কনবগী ওইগনি অসিনি, ঐখোয়না চারবনিনা ঐখোয়সি শা-কৈন্দগী হেন্না শাথিরে হায়বা তারেনে। ফরে, য়েন অনীদু ঐনা য়াল্লগা পুবা লুম্মী, অমা মী অমদা পুহল্লি। থোংবসি সিফাইশিংনা থোংলক্লগে হায়রে। পুক হায়বসে মখোয়না হেন্না লৌখিগনি খল্লুবনি। কয়া ফজনা তৌরকখ্রে, থোংলকখ্রে হায়বা নত্তে। মফৈ, মথিক, মপুম ওইনা চাউকক কক্লগা মশীং শুনা ফিরাক, মকন ফাওবা মাঙদনা পীরকখি, কয়া হাওখ্রে। ঐনা ফাগী তৌশিল্লি, মখোয়না ঐখোয় ঙাক্কদ্রা হায়রগা ঐখোয়না মখোয় ঙাক্লিসিদি।

ভোট থাদবা লাকপশিং মশীং য়াম্লক্তরে। ঙায়না ঙায়না বেলোট বোক্স য়োমশিনবা হৌই, মমায় ফাৎলগা মনিংদগী। মী লাকপসু মরক্তা তোক্তে। এজেন্টশিংদগী থাদদ্রিবা মীগী মমিং খোমখি। ঐনা হায়রে, পার্সেন্টেজ ৱাংলবনি তোক্লসিকো। মরকসিদা বোক্সতা চে নমশিনবা য়ারক্ত্রে। এজেন্ট অমা অনী কৌশিল্লগা ঙসাইগী শিলদু লৌথোক্লগা বোক্স অদু হাংদোক্লে। বেলোট পেপরশিংদু চাউথুপ থুপচিল্লগা হাপচিনবদদি তঙ্খায় অমা ইহাং হাংলম্মী। ঙসাই শিল তৌবসু ঐখোয়নি হৌজিকসু ঐখোয়নি হায়বদুদা সিফাই অউবদুনা মমিৎ লাউথোক্লগা নোক্লকই। য়েন চরা অমা চামিন্নবগীরা খল্লকই।

ঐখোয়না অরাপ্পা অনীশুবা ষ্টেসন্নি, নুমিৎ তাফাত্রি, লোইশিল্লগা লাক্লে। অমদুদি করি অমত্তা য়োমশিল্লমদ্রি। নুংঙাইরিবদি লৈমায়দু চেনা পুমচায়। ঐখোয় য়াওশিল্লে, য়াওহন্নিংদবা অহৈবা শাবা অমা অনী য়াওরম্মী। সিফাইশিং কৌশিল্লগা চঙশিনবনি। প্রেসাইদিং ওফিসারদুদি ইমান্নবনি। এজেন্টতা পীগদৌবা একাউন্টদং পীথোক্লমালে। অতৈদি ওফিসতা তৌরুরসি হায়রগা লাক্লখি। নোংঙাল্লমদাই পুং অমা মখায়দা থুংলখি। পোল্লিংগী পোৎপু শেন্নগদ্রা, ইশাগী পোৎপু শেন্নগদ্রা, লোয়নদুনা লাক্লবা বেগ অদুমতংদা ঙাইরে ইনাক্তা লৈরিবা। ঙাবোয়, তোংবোয়, তূম্বোই নোং ঙানবা ঙায়খি। বস তোংলগা লাকপদদি য়ূম য়ৌবদা নুমিৎ তাগদৌরে।

মসিবু কুম্ফে নত্তে হায়গে হায়রিব্রা? মীহুত্তু কনা ওইখিবনো? মিনিষ্টর ওইখিবনি। তৌরিসি নেসনল দ্যুটিনি খনবগীনি, কনা অমদি তন্নরিবনি।